# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
(DATE 08-01-2025)

--অহানবদা মরুওইবা পাড--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী হওোই লোক্কী ইরোং তাঞ্খুল ভিলেজদা থি হুম্বগী থবক চথুবমদা খুৎলায় কয়মরুম ফাগৎলে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- দ্রাফট দিজিতেল পার্সনেল দাটা প্রোটেক্সন রুলস ২০২৫ অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী য়েংদুনা শাসন চথুবা হায়বা ফিরেপ অদু হেন্না চেৎশিনহন্নবনি।

অমসুং

৩) অৱাং ভারত্তা অয়ুক্কী মতমদা লৈচিল থাবগা লোয়ননা কা হেন্না ঈংবগী অৱাবা মায়োকরে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

পুলিসকী পাউনা হায়- অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী হওোই লোক্কী ইরোং তাঞ্খুল ভিলেজদা থি হুম্বগী থবক চথুবমদা খুৎলায় কয়মরুম ফাগৎখি। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, পোম্পি গন অমা, হেন্দগ্রেনেদ অনি, দিটোনেতর অমা, টিয়ার গ্যাস সেল অনি, এন্তি রাইওট দাই মার্কর গ্রেনেদ অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৩, বাইনোকুলর অমা, রেদিও সেট অমা য়াওরি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী শুনুশিফাইদগী মণিপুর পুলিসনা প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমা ঙরাং ফারে। মীওই অদুদগী মোবাইল ফোন অমা ফংলে।

নেসনেল হাইৱে থার্তিসভেন অমসুং নেসনেল হাইৱে-টুদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৪২২ অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা থোরক্লে। ইরাং থোকনবা মফমশিংদা অকনবা সেক্যুরিতিগী থৌরাং লৌখৎতুনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌরি।

আর্মি (এল)ঃ ভারত লান্মীনা চুরাচান্দপুর জিলাগী নাবিল ভিলেজদা লেমা লায়েংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। নাবিল ভিলেজ অমসুং মফম অসিগী অকোইবদা লৈবা খুলশিংগী খুঞ্জা ২০০ রোম লায়েংখি। খোঙথাং অসি দিফেন্স ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্তা হকচাং ফনা লৈনবগী পান্দমদা পায়খৎপনি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ একচেঞ্জ প্রোগ্রাম অমা থৌবাল জিলাগী খোংজোম মেগা টুরিষ্ট সেন্টরদা লৈবা গেষ্ট হাউসতা ঙরাংদগী হৌখ্রে। থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়- নহাশিং অসি জাতিগী তুংগী য়ুম্বীরেলনি। নহাশিংবু শক্তি লৈহন্নবগীদমক মখোয়গী লৌশিং-গ্যান, মশা মউ ফহনবা অমসুং মশানা মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবা পান্দমদা য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টসনা থৌরম কয়া লেপ্তুনা শিল্লি। জিলা অমগী নহাশিংনা অতোপ্পা জিলাগী মীওইশিংগা উন্নহন্দুনা ৱারী ৱাতাই শান্নবা অমসুং ৱাখল্লোন ফোংদোকবনা মখোয়গী পুকিং ৱাখল চাউথোকহল্লি।

দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসার-থৌবালনা শিনবা নুমিৎ হুমনি চপ্থগদবা থৌরম অদুদা থৌবাল অমসুং চান্দেল জিলাগী নহাশিংনা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরমশিংসু উৎখি।

টিবি (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক কেক্রুদা টি.বি. স্ক্রিনিং অমসুং এৱারনেস প্রোগ্রাম ঙরাং কেক্রু লাইমাং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা জন-অন্দোলন এক্তিভিতিগী মখাদা পাঙথোকপনি। ঙরাং চথখিবা থৌরম অদুদা মীওই ৮০ রোম টি.বি. টেষ্ট তৌখি। থৌরম অদুদা পি.ঐচ.সি খোইরোমগী গানিকোলোজিষ্ট ডাঃ অনিস বেগম, সি.ঐচ.সি য়াইরিপোক্কী সেনিয়র ত্রিটমেন্ট সুপরভাইজর এল. আশারানিনা লায়না অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

এৱার্দ (এল)ঃ   কেরলাগী কোরিকোদতা লৈবা ইন্দিয়ান সোসাইতি ফোর স্পাইসিসনা ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার রামেশ্বর অতোম অমসুং মহাক্কী কাংবুদা বেষ্ট রিছার্স পেপরগী মনা পীরক্লে। মনা অসি ঙরাং কেরলাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার রামেশ্বর অতোমদা খুৎশিন্নখিবনি।

মোদি ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- দ্রাফট দিজিতেল পার্সনেল দাটা প্রোটেক্সন রুলস ২০২৫ অসি ভারতনা মীয়ামগী য়েংদুনা শাসন চথবা হায়বা ফিরেপ অদু হেন্না চেৎশিনহন্নবনি।

ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং আই.টি. মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলপা পোষ্ট অমগী মতাংদা শ্রী মোদিনা হায়- রুলশিং অসিনা মীপুম খুদিংমক শরুক য়াবা চাওখৎপা পুরকপগা লোয়ননা মী অমগী পার্সনেল দাটা অশোই অঙাম য়াওদনা থমবা হোৎনরি। দ্রাফট দিজিতেল পার্সনেল দাটা প্রোটেক্সন রুলস অসি ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়না পুথোকপনি। মসিনা অনৌবা ৱাখল্লোন অমসুং চাওখৎপা পুরকপদা মীয়ামগী দিজিতেল পার্সনেল দাটা ঙাক শেনদুনা থমগনি। মসিগী মতাংদা মীয়াম অমসুং ষ্টেগ হোল্ডরশিংদগী মথং থাগী ১৮ ফাওবদা মখোয়গী মোৎ মাই গোভ প্লেটফোর্মদা থারকবা মন্ত্রালয়না হায়রি।

ইসিঃ  সিট ৭০ লৈবা দিল্লি বিধান সভাগী মীখল ফেব্রুৱারী ৫ দা

পাঙথোক্লুগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে।
ভোট মশিংনা ফেব্রুৱারী ৮ দা থিগনি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবদা চীফ ইলেক্সন কম্মিসন্নার-রাজিব কুমারনা হায়-মীখল অসিগী নোটিফিকেসন থা অসিগী ১০ দা থোক্কনি অমসুং মীরেপ চেপীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ১৭ তনি। মহাকা হায়-মীখল অসিগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১৩,০৩৩ হাংদোক্কনি। মীখল অসিদা ভোটর কোতি অমা লাখ ৫৫ না ভোট থাদনগনি।

মরক অসিদা, উত্তর প্রদেশকী মিলকিপুর অমসুং তামিলনাদুগী ইরোদ (ইষ্ট) বিধান সভা কেন্দ্রগী মরক্কী মীখলগী মতমসু লাউথোকখ্রে।

ইংবা ঃ অৱাং ভারত্তা অয়ুক্কী মতমদা লৈচিল থাবগা লোয়ননা কা হেন্না ঈংবগী অৱাবা মায়োকরে। পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, উত্তর প্রদেশ, বিহার, হিমাচল প্রদেশ অমসুং ঝারখন্দদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি মরিনি অসিদা অয়ুক অমসুং নুমিদাংদা লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি। ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী মতুংইন্না পঞ্জাব, হরিয়ানা-চান্দিগর-দিল্লি, উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান অমসুং অৱাং থংবা মধ্য প্রদেশতা ঙসিদগী অয়ুক নুংথিলগী মতমদসু য়ামা ঈংগনি হায়রি।

অমরোমদা, অরুনাচল প্রদেশকী মফম কয়াদা ঙসি অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি হায়রি। মণিপুরদসু হৌখিবা অহিংদা পারপা নোং চুখি। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ, ময়াই থংবা অমসুং নোংপোক থংবা শরুকশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ঈংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি অনিদগী মরি ফাওবা হন্থরবা য়াই হায়রি।

শাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ভারত পোল পোর্তেল অমদি অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুমা মরাল লৈরবা মীওইশিংনা অতোপ্পা লৈবাক্তা চেনখিদনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং ভারত পোল পোর্তেল হাংদোকপগী থৌরমদা গৃহ

মন্ত্রিনা হায়- পোর্তেল অসিনা ইনভেষ্টিগেতিভ এজেন্সিশিং অমদি লৈবাক ১৯৫ গী ইন্তরপোল নেটৱার্ককী পুলিসশিংনা ক্রাইম থোরকপা থিংবদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি। অসিগুম্বা অনৌবা মখলগী পোর্তেল অসিনা ক্রিমিনেলশিংবু আইনগী মতুংইন্না মতিক চাবা দন্দি পীবা ঙম্লগনি। হৌখিবা চহি কয়া অসিদা মরাল লৈরবা মীওই কয়ানা অতোপ্পা লৈবাক্তা লোৎতুনা লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি অসিগুম্বা পুথোরকপা অসিনা মখোয়বু থিদোকপা অমদি দন্দি পীবা ঙম্লগনি। খুমাং চাওশিল্লবা টেকোলোজিগী অসিগুম্লবা সিষ্টেম অসিনা ড্রগ ত্রাফিক্কিং, হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং, খুৎশু খুৎলায় লল্লোনবা অমদি ঙমখৈ লান্না তেরোরিজমগী থৌওংশিং চথরকপা থিংবদা মতেং ওইরগনি। পোর্তেল অসি সেন্ত্রল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি.বি.আই)না পুথোকপনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

গভর্নরনা মোইরাং অমসুং চুরাচান্দপুর চৎখিবা, মণিপুরগী ফাইনেল ফোটো ইলেক্তোরেল রোল ফোংখিবা অমসুং উয়োক চীংদা নুপীশিংনা সেক্যুরিতি লৌথোক্তনবা অহিং য়ারেকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

গভর্নর আজয় কুমারনা চুরাচান্দপুর অমসুং মোইরাংদা চত্তুনা মীয়ামগা ৱারী শান্নখ্রে হায়না পোকফমদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, সনালৈবাক, মণিপুর নিউজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, নহারোলগী থৌদাং, তমেংলোং টাইমস অমদি অতৈ পাউচেশিং মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী ফাইনেল ফোটো ইলেক্তোরেল রোল ফোংখ্রে, মণিপুরগী ভোতর লাখ ২০ লিশিং ৫৪ শুখ্রে, ভোতর লিশিং ৯,৭৪১ লৌথোকখ্রে হায়না সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মসিগা মান্নবা পাউ- নুপী ভোতরনা নুপাদগী হেল্লে হায়না ইম্ফাল ফ্রি

প্রেসকী এনকর কলমদা ফোংলি।

মণিপুরদা ভোতর লাখ ২০ লিশিং ৫৪,৪৮৭ লৈরে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন অনিমক্কী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

উয়োক চীংদা সি.আর.পি.এফ লৌথোকখ্রে, বি.এস.এফ লৈরি, নুপীশিং চীংখোঙদা অহিং য়ারেক্তুনা সেক্যুরিতি লৌথোক্তনবা শংলি হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- কুকি লমহেন তুহেনবশিংনা নাগা নুপী অমদা এটেক চথ্দুনা করেম কথাইনরকখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন ওইরি। মসিগা মান্নবা পাউ, জেলিয়াংরোং নাগা ভিলেজদা কুকিনা নাগা নুপী অমদা এটেক তৌরকখ্রে- সি.এস.এশিংনা মীৎয়েং চংবীনবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিউ মেদলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর হোক্কি টিম নেসনেল গেমস ক্বালিফাইদ ওইবগী পাউ মণিপুর মেলদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মণিপুরদা লেপ্রোসি কেস ১১ হেনগৎলকখ্রে, মীওই ২১ লায়েংলি হায়না ষ্টেট লেপ্রোসি ওফিসার ডাঃ শলাম বোচানা ফোংদোকখিবা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

কাংপোকপীগী এস.পিদা এটেক চথ্খিবদু কুকিগী এক্সটোরসন থিংনবা হোৎনবা, কোতুনা কৌবদা পুলিস ওফিসারশিং চত্তনবা থিংবগী ওইরম্লে হায়না মণিপুর নিউজদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর প্রেস ক্লবকী ৫০ শুবা ফাউন্দেসন ডে পাঙথোকখিবগী পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা হেনলাইন তৌদুনা ফোংলি।

-------